# নাট্য রত্ন সোরোখাইবম ললিতকী চহী ১২৭ লক শুবা মপোক কুমওন ২০১৯





লমদম অসিদা মণিপুরি নাট্যগী ইহৌ হীংগৎহনবা হোৎনবদা অমসুং নাট্য শাস্ত্রদা অনৌবা ইথিল পীনবা হোৎনবদা চোকথবা হনবা লৈতনা হোৎনবীরম্বা স্বর্গীয় সোরোখাইবম ললিত সিংহ নাট্য রত্নগী ১২৭ লক শুবা মপোক কুমওন জুনগী তারিক ৫-২০১৯ দা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা সোরোখাইবম ললিত মোমোরিয়েল ট্রষ্টনা শীন্দুনা লৈকাই অসিদা লৈবা মণিপুর ড্রমাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) হোলদা পাঙথোকখ্রে।

শৈরেং ইবা অমা ওইনা,ইশৈ ময়েক ইবা লোয়নবা লীল্লারোই অমা ওইনা শীংথানিঙাই ওইবা মথৌদাং মপুং ফানা পাঙথোক্লম্বাতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা সংস্তান কয়াগী মতমদুগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা লীল্লা ৮০ গী মথক্তা লমজিং লমতাকপা অমা ওইরম্মী।

লীল্লা ইবা অমা ওইনসু শক্লাইরবা অসিগী দান থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিঙাই ওই। শক্লাইরবা অসিগী 'সতি খোংনাং' অমদি 'অরেপ্পা মরুপ' হায়রিবা লীল্লা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা মতম শাংনা ইন্টরমেদিএট অমদি মট্রিকুলেসনদা তেক্সবুক ওইহনলম্মী।

শীংথবাগী লোইবা নাইদ্রবা অৱাৎপনা য়াম্বা স্বর্গীয় এস ললিত সিংহ লমদম অসিগী খ্বাইদগী লীরবা থেএটরগী সংস্থান অমা ওইরিবা মণিপুর ড্রমাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) হোল লীংখৎপা ইং শোক ১৯৩১দা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরবত য়াওনা লীংখৎপদা শরুক য়াখিবা মীওই ৬ কী মনুংদা মরুওইবা মেম্বর অমসু ওইরম্মী।

শক্লাইরবা অসিনা লমজিং লমতাকপা অমা ওইনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা মতমদুগী লীল্লাশিংগী মনুংদা -র্কনা অজর্ুন,উত্তরা,শাবিত্রি,নরমধা জাইগাই,বিলাবমঙ্গোল,ইতিহাসিক নাতক দেভোলা দেবী অমদি সহাজ্ান নচিংবা শীংথনবা য়ারবা লীল্লাশিং ওইনা উনহৌবশিংনা ঙসি ফাওবা শীংথনরি।

লমদম অসিদা থিএটরগী অকনবা ইহৌ অমা শাগৎনবা হোৎনবদা মাই পাকখ্রবা লানমী অসিগী মপোক কুমওন অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা 'রাবিন্দ্রনাথ টেগোর'গী ৱরিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মাই পাক্লা প্লে ৪৫ গী মথক্তা খুৎ থাখ্রবতা নত্তনা মনা মথুম কয়া ফংবা ঙমখ্রবা থেএটর ডাইরেক্টর রনবির খোইস্নামনা ডরইরেক্সন পীবা প্লে 'পোষ্ট মাষ্টর' উৎখি।

লোয়ননা নুমিৎ অদুদা চীক্লা চাইনা খংদনা তিনখিবা মীশিং য়াল্লবা ভাবোকশিংগী পূক্লিং চীংশিনবা ঙমখি।

লীল্লা অদু য়েংনবগীদমক তিনখিবা মীয়াম অদুনা মতম কয়াগী মমাঙদা হোল অসিদা লীল্লা য়েংনবগীদমক চীক্লা চাইনা খঙদনা তিনখিবা অসিমক্লা মখা তানা ট্রষ্ট অসিনা মখা তারকপদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা শোইদনমক্কী মহৈ য়ানগনি হায়বগী লেংদ্রবা খুদম অমসু ওইরি।

পোষ্ট মাষ্টর হায়রিবা প্লে অসিগী শল্লকপা ৱারিদি -উলাপুর কৌবা খুঙ্গং অমদা অহানবা ওইনা পোষ্ট মাষ্টর ওইনা থবক মফমদা লাকই। ঈ না কুপ্পা য়ুম অমদা ওফিস ওই।

সহরগী মী ওইবনা মফমদু ইহৈ হৈনদে। অদুবু মফম অদুদা হনা য়েংবদা মাগীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবী চহী ১০। ১১ গী নুপীমচা রতনা কৌবী অমনা মাগী চাকথোং ফী শুনচিংবা তৌরি। মসিগীদমক পোষ্ট মাষ্টরনা মাগী অপীকপা তলবকী শেনফমদগী শেল ওইনা খরা খরা মাঙোন্দা পীবিবা লোয়ননা মাগী মারাইবক থীবগী মতৌদুদা পোষ্ট মাষ্টরনা রতনবু য়াম্না নুংশিবা ফাওরমই।

পোষ্ট মাষ্টরনা রতনবু লাইরিক তম্বিবা হৌরকই। রতনাসু পোষ্ট মাষ্টর অদুবু ইমুং অমত্তগী মীওইগুম দাদাববু হায়না নুংশিনা মিঙ্গৌজে।

মতম কুইনা দাদাববুনা নাদুনা লৈবদা মহাক্লা মমা অমগুম্না অহিং তুমদনা শেবা তৌদুনা লৈ।নাবা ফরক্লবা মতমদা পোষ্ট মাষ্টর অদুনা মফমদুগী ইশিং-নুংশিৎ চুন্নদ্রে খন্দুনা থবক মফম হোংদোকপীনবা ৱাকৎখি।

অদুবু তাবিদ্রবদা মহাক থবক তোকথোকলে। রতনবু থাদোক্লমদুনা চৎপা তাখি। পূন্সিদা খাইনবা শাবা হায়বসি তাইবঙগী মচৎনি কায়রবা থম্মোয়গী অহকপা ফিরেপ অমদা নুংঙায়বা ফংজদ্রবী রতনগী অৱাবা পোৎলুমদু য়াং হন্নবা হোৎন্দুনা পোষ্ট মাষ্টর অনৌবা পোষ্ট মাষ্টরদা থবক ওন্নরম্লগা ময়ুম মাইকৈ পাংখি।

রতনা য়াম্না কপখি অদুবু লৌশিং হেলবী মহাক্তি দাদাববু পোষ্ট মাষ্টর অমুক হল্লকখিনি হায়বগী ৱাখলদা পোষ্ট ওফিস ওইরিবা য়ুমদু থাদোকপা ঙমদনা অদুম লৈহৌরে।

লীল্লা অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংখিবশিংদি - ঐচ দরাবরি শর্ম্মা,ৱাই সনজোলি দেবী,এস বিজেতা দেবী, এম মোহেন্দ্রো সিংহ,পি ইশ্বরচান্দ মৈতৈ,সুরন্দা সাপম,কে ঐচ রাধরানি দেবী,এন সঙ্গিতা দেবী,পি চঙখোললৈমা চনু,টি তোম্বা সিংহ,টি ইনাওবা সিংহ, এম অজিৎ সিংহ।

ক্রিদিট লাইনদা লৈরিবশিংদি- স্টেজ মেনজর- এন মুহেন্দ্রো সিংহ,সেট এন্দ প্রুপ আই ঈশ্বরচান্দ সিংহ,এষ্টিটেন্ট সেট এন্দ প্রুপ তা - পি দিনা চন্দ্রা সিংহ,কষ্টমদা - এল ইবোচৌবা, ম্যুজিক কম্পোজরনা- বিসি মোইরাংথেম, এষ্টিটেন্ট ম্যুজিসিয়ানদা- ও বোবি অমদি এচ রোবিন্দ্রো সিংহনি।

লেরিক্সনা- ডা. এস শান্তিবলা দেবী, পব্লীকসিটি এন্দ প্রোপোগন্দানা -ঐচ দরাবারি শর্ম্মা,ষ্টোরিনা রাবিন্দ্রানাথ টেগোরনি।

এসোসিয়েট ডাইরেক্টনা -ঐচ রোবিন্দ্রো সিংহ, ড্রমাটিজেসন, ডিজাইন অমদি ডাইরেক্টরনা রনবির খোইস্নামনি।

## ঐচ রাজেস

## মহৈরোইশিংগী খুদোল





TITLE,SHIP
**Chinglembi devi**
Class: I,
Sec : B,
Roll no-41
School:UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE :VEGITABLE
**L.Victoria**
Class: III,
Sec : B,
Roll no-46
School:UNACCO SCHOOL MEITRAM







TITLE :ROSE
**Samraj Thokchom**
Class: III
Sec : B,
Roll no-31
School:UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE,:SCENERY
**Seityajit Leishangtham**
Class: V,
Sec : B,
Roll no-25
School:UNACCO SCHOOL MEITRAM





TITLE:FULL-MON
**Langhoiba Angom**
Class: V,
Sec : B,
Roll no-34
School: UNACCO,SCHOOL, KHONGMAN





TITLE THE CUP
**Phairenbam Italy**
Class:IV
Sec : B
Roll no-26
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM





TITLE : SUN SET
**K. Serina Devi**
Class: V,
Sec : A,
Roll no-50
School: UNACCO SCHOOL, KHONGMAN





TITLE : SCENERY
**Yoihenba Sanasam**
Class: III,
Sec : C,
Roll no-47
School: UNACCO.SCHOOL, KHONGMAN





TITLE :GLOBAL WARMING
**Shezrina**
Class: III
Sec : B,
Roll no-36
School:UNACCO SCHOOL,MEITRAM





TITLE : CAKE
**Purnachandra,Potshangbam** Class: III,
Sec : B,
Roll no-13
School: UNACCO, SCHOOL, KHONGMAN

## বার্টিনা সিঙ্গলস টাইতল লৌখ্রে

পেরিস, জুন ৮ (এঞ্জেন্সি) ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইতল লৌখ্রে,ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সরভিয়াগী নোবাক জোকোবিস সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা জেক রিপব্লীককী শান্নরোই মার্কেটা বোন্দ্রৌসোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬-১,৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইতল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সরভিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমর মায়োক্লরবা মতুং ৬-২, ৩-৬, ৭-৫, ৫-৭, ৭-৫ দা থোয়রম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রিলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ফাইনেলদা নম্বর ২ সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নরগনি। অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরেলবু ৬-৩,৬-৪,৬-২ দা মায়থিবা পীরমখি।

IPS,CANCHIPUR
IPS SCIENCE & ARTS GROUP
ADMISSION OPENS FOR 2019
FOR CLASS XI
BOTH SCHOOL AND HOSTEL
RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM
FEATURES :
1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES



Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.
Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.
FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS
OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO

CHAOKHAT KHONGTHANG
LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে
Pliz Contact: 7005162621
SL / B / M / Packd.
Consolation Prizes



Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com